থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মীয়ামগী ঈহৌনা কোনশিনবীদ্রবা ইস্যু

হৌখিবা থা খরসিদা মণিপুরদা থোকখিবা থৌদোক-ৱাথোক ময়ামসি মীয়ামগী পূক্লিং নুংঙাইহনবা, হরাওনীংঙাই ওইবা অমত্তা য়াওখিদবরা খল্লি ঐহাক্তি। হোয়, মেজোরিটি ওইবা (মীশিং য়াম্বা) কাঙলূপ্তুগীদমক য়েংলগা হরাওনীংঙাই ওইদ্রবসু, নাগা হায়না খঙনবা, অনীশুবা মেজোরিটি-ইন্দিজিনস-ত্রাইব অদুগীদমক্তি হরাও মথোয় কাবা পাউনি খন্নবা অমদি লৈ। মদুদি, নাগা হায়না খঙনবা ফুরুপ মচা-মচাশিং অসি অমত্তা ওইবা সোসিও-পোলিটিকল বোদি অমা ওইনা পূনশিন্নবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট'না য়ারে হায়বা পাউনিলখোল অসিনি। মখোয়গী ওইনা হরাওনীংঙাই ওইর'সু, য়েলহৌঙৈদই লৈমিন্নরক্লবা লমদমসিগী অতোপ্পা ফুরুপশিংগী মফমদদি থম্মোয় কায়নীংঙাই মশকনি। তোকসি, মসিগী ৱারীসি। চৈনা ফংলবা থম্মোয়দা হঞ্জিন-হঞ্জিন চৈনা থিন'গুম থোক্লনি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, সী এ বিল, আই এল পি, এস টি দিমান্দ কম্মিটি ... অসিনচিংবসি পোলিটিকল ইস্যু ঙাক্তনি, ঐনা নঙনা ফনা লাউরু-খোংলুর'সু তাবীগদবা নাকোংদুনা মেনশিন্দুনা লৈখ্রবনা লাউরুবগীসু কান্নদ্রবা। অদুবু, লাউরিবনি লেপ্তুনা। লাউবা লেপ্লুরবদি, মরক মরক মিংশেল মমায়দা পকপা অমুবা দাগ উজরিবসিসু উররোই।

পোকপদগী ঙসিফাও ইরমদমসিদা হিংলকপা অসুক শাংল'মতমসি অসুক ৱাই চিন্না, পোত্থাফম খঙদ' হিংলকপদি অমুক্তসু য়াওখিদ্রি। বন্দ-ব্লোকেদ তৌখিদ্রে, চীংমী তম্মী নুংশিনরে, লাপ্পরম্বা নকশিন্নরে... অসিনচিংবা খোল্লাউসি মখোয় খরখক্তনা লাউরম্বনি। ঐখোয় ইচিন-ইনাওনি, চীং-তম অমত্তনি-নোংমতা হায়য়ু য়াখিদবা মহাক্তো, ঈশিংলা শঙ্গোমলা শক্তাকচরক্লে - ঈশিংগা শঙ্গোমগা তোখায় তোখায় খাইদোরক্লে।

অসুম্না, নাকোং ৱাই চিনহনবতা নত্তনা নাকোংসিনা শুক্তা তানীংখিদবা পাউমক্তনি ২০১৯সিদা তারকখিবা। ঐমক্লা তানীংখিদবা পাউশিংদুই মরক্তা অমখক খনগৎতুনা তম্নীংলকই ঙসি পাউদম অসি চাং নাইনা পাবিরিবশিংগী মফমদা। তানীংলোইদবা পাউদুদি করিগী তম্নীংলুরিবা? হংলক্নি শোয়দনা। লৈ। মদুগীসু মরম লৈ। লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইহল্লম্বা য়াবদো, কনাগুম্বা মীওই খরতগী মরন্নাই ৱাথোক ওইহন্নবা হোৎনখি। ৱাথোক্তুদা চেন্নবা মীওইশিংদু পুথোকউ মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীয়ু - কনানসু হায়রকখিদে, ৱাথোক অদু করিসু লৈতবা অমগুম লৌদুনা। লাল্লে হায়না ৱায়েলশঙ অচৌবা অমনা ৱায়েল পীর'মক্তদা অরানবা তৌবা মখোয়দু কনানসু চৈরাক পীবদি লায়রদুনা খুদোনবী থিনবা ফাওবা ঙমদবগুম লৈবসিদনি, ঙসি ঐনা মীয়ামদা পাউ অমা ওইনা খনগত্তুনা তম্লগে খনগৎলক্লিবা।

করি পাউ ওইরমগনি? ৱাখলনা লাম্বা ফংবীবরা? অতৈ নত্তে, মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন'না লৌবা ২০১৬কী এগজাম অদু অশোয়বা, অরানবনা থল্লবা, হাবী-জাবী/করপসন তৌরম্বা য়াবগী ইভিদেন্স মতিক চানা লৈরবা চাংয়েং অমনি হায়দুনা মণিপুর হায় কোর্ট'না চৎনহনখিদবগী ৱাথোক অদুনি। অঙাং মচা/ৱাখল য়াওদ্রিবা মীশক অমনা তৌরমগদবা থবক অদুনি মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন'গুম্বা, লৈবাকসিগী খ্বাইদই অৱাংবা থাক্কী থবক তৌরক্নদবা ওফিসর লৌবগী চাংয়েংদা এগজামিনরশিংদুনা তৌরল্লিবা। অকৃপ্পা মরোলদি ইজররোই, পাউচেশিং অমদি ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়াগী খূত্থাংদা তমখ্রবনি মীয়ামদা মথম্মোয় শোক্লবা, নমদুনা মায়থীবা নংহনখ্রবা কেন্দিদেটশিং অদুনা। 'মণিপুরগী পোলিটিকল মেপ অমা য়েকউ' হায়না হংবা/য়াথং তৌবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা কনাগুম্বা কেন্দিদেট অমনা 'মণিপুরগী পোলিটিকল বাউন্দরি হৌজিক য়েৎনরিবা ওইবনা চপ চানা য়েকপা ঙম্লোই' হায়না ইরম্বদা ফুল মার্ক পীথোক্লম্বা এগজামিনর, চৈরাক পীরোইদবগী মরম লৈবরা? অন্সর স্ক্রিপ্ট মনুংদা ইরিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম ময়ামদু অমত্তফাও য়েংবই খুদম থল্লমদনা (পাউখুম অমত্তগী নম্বর পীরমদনা, অপূনবা মার্কতি ৱাংনা পীরম্বা, চাংয়েংদুদা মায় পাক্লে লাউথোক্লবা কেন্দিদেট য়াওরম্মী। হায়বদি, ঙাকপীফম থোক্রবা অরানবা খরা তৌবা এগজামিনর য়াওরে হায়বসিমদি চেনবা য়াদ প্রমান তৌরে। মায়কৈ কয়াদগী য়েংলগা, মাঙলমচত্তা চত্থখিবা ৱাথোকসিগা মান্নবা কেস কয়াগী ৱায়েল নৈনরগা লাউথোরকপা ৱায়েল ওইরমগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট কয়াদসু অসুম্না থোকখিবা লৈখরে।

চুম্মী, অরানবা পাম্বৈনা মায় পাক্লে লাউথোক্লম্বা খরদুদি থবক্তগী লৌথোক্কদবনি, লোয়ননা মতুংদসু অতোপ্পা চাংয়েং য়াওবা য়াহল্লোইদবনি। অদুবু, কনাগী থৌইনশিন য়াওদনা, অচুম্বা/অশেঙবা পাম্বৈনা চাংয়েং অদু মায় পাকখিবা মখোয়দুসু চৈরাক ফংবা তাবরা? মরাল লৈবদুতমক খন্দোক্লগা চৈরাক পীনবা প্রোবিজন অমা য়াওদ্রবা জাৎলা আইন'দুদা। মখোয়দুগীদমক ৱারুরি-নৌনা চাংয়েং মায়োক্লবদা মায় পাক্লক্তবসু য়ারিবনি - চহী মরি, ওফিসর ওইরে হায়দুনা লাইরিক হন্না য়েংলুদ্রে, নুপী অমসু থিজিল্লুরে। থবক তোকপদা নত্তে, চাথোকখ্রবা তোলোপতুসু অমুক হনবা তারক্লো - করি ওইবা হৌননি। ঙক্লিবদি, অসুক চাউবা ৱাথোকসিদা লৈঙাকসিগী লৈঙাকপশিং করিমত্তা হায়দনা তুমিন য়েংদুনা লৈথোকপসিনি। অসুক য়াম্বা সিভিল সর্ভেন্ট/এদমিনিষ্ট্রেটরগী পোষ্ট হাঙলবসু, মেনশিনবই তঙাইফদবা লৈ হায়বা ফাওদ্রিবা লৈঙাকপশিংসিগী ৱাখল করিনো? লাম্বা কৈসু ৱাদবনি। লামশিন্দুনা শান্নবীয়ু।

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# হেঙওভর করম্না ফহনগদগে

হেঙওভর হায়বসি য়ু য়াম্না থক্লুবগা মরী লৈনবা অপূনবা সাইন অমদি সিম্পটোমশিংনি। হেঙওভর চৎপা মতমদা মীওই অমনা কোক চীকপা, অনাবা মীওই অমগুম ফাওবা, কোক ঙাওবা, তূম্নীংবা, কনফ্যুজ চৎপা, ঈশিং খৌরাংবা অসিনচিংবশিং অসি থেংনগল্লি।

হেঙওভর অসি মতম অমদা হেক্তা তৌবা য়াই, অদুবু অয়াম্বনা য়ু থক্লুবা নুমিদাংগী নোংঙানবগী অয়ুক্তনা অয়াম্বা তৌগল্লি।

ফিজিকেল সিম্পটোমশিং অসিগী মথক্তা এঞ্জাইটি, নীংঙল্লক্তবা, ইকায়বা ফাওবা অমদি দিপ্রেসননচিংবা থেংনবসু য়াই। হেঙওভর চৎপগী চাং ৱাংবা ৱাংদবদি য়ু কয়া য়াম্না থকখিবা, নীংথিনা তূমখিবরা তূমদবরা হায়বনচিংবগী মখা পোল্লি।

হেঙওভর চৎহন্দনা কয়া য়াম্বা চাং ফাওবা য়ু থকপা য়াবগে হায়বদুদি চপ চানা হায়বা ওইথোক্তে, থক্লিবা মী, অমদি অতোপ্পা ফেক্টরশিং হায়বদি য়ু থক্লিঙৈ মমাঙদা কয়াম ৱাখীবগে, য়ু থকপা হৌদ্রিঙৈদগী হৌনা দিহাইদ্রেটেদ ওইখ্রবরা, য়ু থক্লিঙৈ মনুংদা ঈশিং মতীক চানা থকখিবরা অমদি য়ু থক্লবা মতুংদা কয়াম কুইনা তূমখ্রবগে হায়বনচিংবশিংগী মখা পোল্লি।

হেঙওভর চৎপা অসি ঈশিং মরাঙ কায়না থক্লগা, চিঞ্জাক্কী মতেংনা হকচাংদগী মাঙখিবা ইলেক্ট্রোলাইটশিং মেনখৎলগা অমদি পোত্থারগা সিম্পটোমশিংদগী পোত্থাহনবা য়াই। অয়াম্বনা হেঙওভর চৎপা অসি পুঙ ২৪ রোমগী মতুংদা মথন্নতা ফখি। চাং য়ামদনা য়ু থকপনা হেঙওভর চৎহন্দবদা মতেং পাংই।

হেঙওভর চৎপা ফহন্নবা ট্রিটমেন্ট লৈতে, খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈদি য়ু থকপা তোকপা নৎত্রগনা থকপা তারবসু চাং খঙনা থকপা অসিনি।

হেঙওভর চৎলবদি ফখিবগী মতম ঙাইবা চঙই, পোত্থাগদবনি, ঈশিং মরাং কায়না থক্কদবনি, পেইনকিল্লর চাবনা কান্নবা ফংবসু য়াই। ঈশানা তৌবা য়াবশিংদি- নুমিৎ চূপ্পা লেপ্তুনা ঈশিং খজিক খজিক থকপা; ব্রেদ, ক্রেকর, অমদি চাক্লুম্বা অচম্বা, ব্লদ সুগর লেবেল হেনগৎহনবা য়াবা অদুগা তূম্বসু লায়গদবা চীঞ্জাকশিং চাগদবনি। মীওই খরদি হেঙওভর চৎপা ফনবগীদমক পেইনকিল্লর চাবসু য়াওই। অদুবু এসিটামিনোফেন (টাইলিনোল, পেরাসিটামোল) দি য়াম্না কন্সেন্ট্রেসন ৱাংনা চারগদি লিভর শোকহল্লি, অদুগা চাকখাউ ফত্তবা মীওইশিংদদি এস্পিরিন শীজিন্নবদা খুদোংচাদবা থোকপা য়াই। করম্বা পেইনকিল্লর শীজিন্নগদগে চপ চানা খঙদ্রগদি ক্বালিফাইদ ফার্মাসিষ্ট অমা তান্নবা য়াই।

লাইওং- মীৎ ঙাঙবা হায়বসিনা খ্বাইদগী লায়না খঙবা ঙম্বা হেঙওভরগী লাইওংনি। হেঙওভরগী খুদম অমদি লাইওংশিং ঈদা য়াওরম্বা য়ুগী শরুক হন্থখ্রবা মতমদগী হৌরক্লল্লি। মসি নুমিদাংদা য়ু চাং য়াম্না থক্লুরগা মথংগী অয়ুক্তনা অয়াম্বা থোক্কল্লি, লাইওংশিংদি- হার্টবিট কনখৎলকপা, এঞ্জাইটি, মীৎ ঙাঙবা, হকচাং অমদি মসল চীকপা নাবা, দাইরিয়া, কোক ঙাওবা, নীংশা মনম নমথিবা, কোক চীকপা, তিন য়াম্না চুম্বা, পূক নুংশিৎ কাবা, চোকথবা, ওনীংবা, ফোটোফোবিয়া (অঙানবদা য়েংবা ঙমদবা), ফোকস তৌবা অমদি কন্সেন্ট্রেসন তৌবা ঙমদবা, অহৌবা খোঞ্জেল তাবা ঙমদবা, দিপ্রেসন, হকচাংদা মরেং মরেং চৎপা, ৱাখল নুংঙাইতবা, পূক নাবা, ঈশিং খৌরাংবা, হকচাং অমদি খোঙ-খূৎ নীকপা, ওবা অসিনচিংবশিং থেংনবা য়াই।

করিগুম্বা মীওই অমনা মথক্কী লাইওংশিং অসি য়ু থক্লিঙৈ নৎত্রগনা য়ু থক্লবা মতুংদা কা হেন্না শাথিনা থেংনরবদি অলকোহোল পোইজনিং ওইরম্বা য়াই। অসুম্না তৌবা অসি মেদিকেল ইমর্জেন্সি অমনি।

নীংশা হোনবদা চাং নাইরক্তবা; নীংশা হোনবগী চাং মিনিট অমদা ৮ য়ৌদনা নীংশা চিংশিল্লবা; কনফ্যুজন থোক্লকপা; য়াং চিংবা নৎত্রগনা শারৈ হৌবগুম তৌবা; হকচাংগী টেম্পরেচর য়াম্না নেমথখিবা; ৱান্থবা; কুচু তাইফেৎ তাইবা নৎত্রগনা মুশিল্লক্লবা; লেপ্তুনা ওবা অসিনচিংবশিং থেংনরগদি খুদক্তা হোস্পিটালদা চৎকদবনি।

হেঙওভর থোকপগী মরমশিং: হেঙওভর হায়বসি য়ু কা হেন্না থক্লুবদগী থোক্লকপা থৌওং অমনি, থোকহল্লকপগী মরমশিংদি-

মপান য়াম্না থোকখিবা- য়ু থকপনা মীওই অমবু মপান য়াম্না থোকহল্লি, মসিনা মীওই অদু দিহাইদ্রেসন থোকপা য়াবগী চাং হেনগৎহল্লি। দিহাইদ্রেসন তৌবনা ঈশিং খৌরাংবা অমদি কোক চীকপা থোকহল্লি।

ইম্যুন সিষ্টেম রেস্পোন্স- য়ুনা মরম ওইরগা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমদা ইনফ্লেমেটরি রেস্পোন্স অমা থোকল্লকপা য়াই। মসিনা অরাম খৌরাংবা পোকপা, কন্সেন্ট্রেসন অমদি মেমোরিদা অকায়বা থোকহল্লি।

ষ্টোমাক ইরিটেসন- য়ু থকপনা চাকখাউদা এসিদ পুথোকপগী চাং হেনগৎহল্লি; মসিগা লোয়ননা চাকখাওনা মথন্নতা হাঙহনঞ্জবগী চাংসু তপথহল্লি। অনীসিনা মরম ওইরগা ওনীংবা, ওবা অমদি পূক নাবা থোকহল্লি।

ব্লদ সুগরগী চাং হন্থরকপা: কনাগুম্বা খরদি য়ু থকপনা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মসিনা হকচাং নীকপা, থৱায় নুংঙাইতবা, চোকথবা, হকচাং শোন্থবা অমদি শিজরনচিংবা থোকহল্লি।

ঈগী উতোং লাওথোকপা- য়ু থকপনা ঈগী উতোং লাওথোকহল্লি, মসিনা কোক চীকহল্লি।

তূম্বগী ক্বালিটি- য়ু থক্লগা তূম্বা হায়বসি তোয়না থোকপা ওইরগসু তূম্বগী ক্বালিটিদি ৱাৎলি। মসিনা মরম ওইরগা হৌগৎলকপা মতমদা চোকথবা অমদি তূম্নীংবা থোকহল্লি।

কোঞ্জনর- য়ুদা য়াওবা পোৎলম অসিনা হেঙওভর চৎপগী মরম অমসু ওইরি।

টোক্সিক বাইপ্রদক্টস- অলকোহোল মেটাবোলিজমনা হূ চেনবা পোৎলম কয়া হকচাংদা পুথোকই মসিনা হেঙওভরগী সিম্পটোম কয়া থোকহল্লি।

য়ু থকপা মতমদা ঈশিংসু মরাং কায়না থকপা নৎত্রগনা য়ু চাং য়াম্না থক্লুরবা মতুংদা থেংলক্ললগা চাক চাবনা মথংগী অয়ুক্তা হেঙওভর চৎকদবদগী খরা হন্থহল্লি।

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবশিং করিনো ফোঙদোকউ য়াদ্রিবসি করিগুম্বা খরদি লৈরবনি: নোদিয়াচান্দ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবশিং করিনো ফোঙদোকউ য়াদ্রিবসি করিগুম্বা খরদি লৈরবনি হায়না হান্নগী এম এল এ এস নোদিয়াচান্দনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা এক্স এম এও এ নোদিয়াচান্দনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবশিং করিনো হায়না তকশিনবদা ফোঙদোকউ য়াদ্রিবসি করিগুম্বা খরদি লৈরমগনি, লৈত্রগদি ফোঙদোরক্লগনি। এগ্রিমেন্ট অসিদা য়াওরিবশিং ফোঙদোক্লুরগা ইরাঙ লাক্কনি খনবদগীনি। নাগাশিংনা তাল্লিবসি শরুক তরা তানবদা খরদি শোয়দনা পীগনি। তরামক শুনা পীদ্রগসু খরদি পীগনি। পীদবা তারগনা নাগাশিংনা অমুক য়ারোইদৌরিবনি। মীওই লাখ ২৪ না লাউবদগী এম এল এ ৬০ না এসেমব্লি মীফমগী ৱারেপনা থেংনবনা হেন্না মপাঙ্গল কনগদৌরিবনি। ঐখোয়না থাগৎলিবা মীহুৎ ৬০ অসিগী থৌদাং য়াম্না চাউই। মসি মখোয়না থেংনগদবনি। এম এল এ ৬০ না এসেমব্লি মীফমদা লৌবা ৱারেপ মতীক ময়াই লৈবা ৱারেপনি। কোকোমিনা চঙশিল্লিবা খোঙজঙ মখা চত্থরক্লি। এসেমব্লি ফম্বা ঙমদ্রিবগী মরমসু বি জে পি ঙাক্তনা শেম্বা লৈঙাক ওইদে। এল্লাইএন্স ওইবা পার্টি খরগা পূনবা মেজোরেটিনা বি জে পিনা ওইবা লৈঙাক্লি। পার্টিগী অপাম পামদা য়েৎনবা লাক্লবদি মদুনা এল্লাইএন্সতা কায়রকপা য়াবদা নত্তনা লৈঙাক্কী মেজোরিটি ওইদদুনা মপাঙ্গল কনবা ঙম্লোই। এল্লাইএন্স লৈরমদ্রবা, বি জে পি ঙাক্তনা ওইরম্লবদি এসেমব্লি মীফম শোয়দনা ফমগনি। কোকোমি অমদি ঈমা ইবেনশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজঙ অসি তুংগী মীরোল অমদি ইচা ইশুশিংগী নুংঙাইনবগীদমক্তনি। কোকোমিদা য়াওরিবশিং অমদি ঈমা ইবেলশিংসু মী ঙাক্তনি। নোংমদি শোয়দনা শিখিগনি। অদুবু তুংগী মীরোল ইচা ইশুশিংনা নুংঙাইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নহৌনবনি। তুংদা ফৎলক্লোইদবা কয়া লাক্তনবগীদমক্তনি। মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ওটোনোমস কাউন্সি হায়রবসু মসি পীবা মতমদা লৈঙাক অনী লৈবগা চপ মান্নে। মণিপুরদা সিফাইশিং লেপ্পা লৈতনা থাজিল্লক্লি। মসিদা সি এমনসু করিগী থাজিল্লক্লিবনো হায়বা মীয়ামদা খঙহন্দে। সি এম মশা খঙদনা থাজিল্লক্লিবরা হায়বা ৱাহং অমসু লৈরিবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়ানদবা লাকপা মতমদা থাজিল্লক্লিবা সিফাইশিংনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা চত্থরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরি। জম্মু অমসুং কাস্মিরগীসু হৌজিক হৌজিক থাদোক্তংবা য়াওরিবনি। কোকোমিনা হৌরকপা ঈহৌ লাকপা হায়বসি পেন্দবা কয়াদগীনি। লৈঙাক্লা মমুৎ তানা খঙহল্লবদি ফগনি।

সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবা তারবদি মীশিং য়ামজদবা নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌমীশিংদা চাউনা চৈথেং পীরগনি য়েলহৌমীশিং মাইনোরিটি ওইগনি হায়না পাখৎলিবনি। ট্রিপুরাদা ট্রিপুরীশিং মাইনোরিটি ওইনা লৈরি। বাংলাদেশসতগী চঙশিল্লকপশিংনা মীশিং য়াম্বনা চৈথেং অসি ফংখিবনি। ভোট লেপ্পা মতমদা মীশিং য়াম্বনা মেজোরিটি ওইবনি। মণিপুরদা লৈরিবা মীশিং অসিদি য়াম্না য়াম্বা নত্তে। সি এ বি চৎনরকপা তারবদি মণিপুরগী ফিভম অসিদদি হেন্না খুদোং থীনিংঙাই ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# প্রি মেট্রিক অমদি পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপকীদমক এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :

প্রিমেট্রিক স্কোলারশিপ (ক্লাস নাইন অমসুং টেন) অমদি পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপকীদমক সেদ্যুল ট্রাইব মহৈরোয়শিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না দাইরেক্টোরেট ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্স এন্দ হিলসনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

একাদেমিক সেসন ২০১৯-২০২০ গী ওইনা ইন্দিয়া মনুংদা লৈবা শকখঙলবা লৈঙাক্কী স্কুল অমসুং মহৈলোয়শঙশিংদা মহৈ-মশিন তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা স্কোলারশিপ অসিগীদমক এপ্লিকেসন থাবা য়াগনি। সেদ্যুল ট্রাইব মহৈরোয়শিংগী মনুংদা মমা-মপা ওইবশিংগী ইনকম চহীদা লাখ ২, লাখ ২.৫ দগী হেন্দবশিংনা প্রিমেট্রিক স্কোলারশিপ (ক্লাস নাইন অমসুং টেন) অমদি পোষ্ট মেট্রিক স্কোলারশিপকীদমক এপ্লিকেসন থাবা য়াগনি। এপ্লিকেসন ওনলাইনদা পীখৎলকপা য়াগনি। ওনলাইন এপ্লিকেসনগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩০ ফাওবনি।

নেসনল স্কোলারশিপ পোর্টেলগী খুত্থাংদা মহৈরোয়শিংনা ওনলাইনদা এপ্লিকেসন পীশিনবা য়াগনি। প্রিমেট্রিক স্কোলারশিপ অমদি পোষ্টমেট্রিক স্কোলারশিপকী ওইনা ইলিজিবল ওইবা সেদ্যুল ট্রাইব মহৈরোয়শিংনা ফোর্ম লৌবা য়াগনি হায়রি

টোম্পসন্দো

থাগৎচরি

লৈবাক অসিদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মশীং লেপ্পগী ওথোরিটি ওইরিবা ওদিট ব্যুরো ওফ সর্ক্যুলেসন (এ বি সী) না কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী থাদগী জুন থা ফাওবগী পীবা সর্টিফিকেসন ফংবা মণিপুরগী পাউচেশিংদি হুইয়েন লানপাউ অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসনি। এ বি সীনা পীবা খ্বাইদগী ইকোন কোনবা সর্টিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না

**হুইয়েন লানপাউ মণিপুরী ইদিসননা**

**মণিপুরদা অনীশুবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফোঙবা পাউচে** ওইরে। পাউচে অসিবু লীশাং শীৎনা পাবিরক্লিবা অমদি পুক্নীং থৌগৎপীরক্লিবা খুদিংমকপু নোল্লুকপগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপদসু পাউচে অসিবু হেন্না মপুঙ ফানা পুথোকপা ঙম্নবা পুক্নীং থৌগৎপিয়ু। অশোয়-অরান য়াওরগসু তাকপীরকউ। মীয়ামগীদমক পাউচে অসিনা হেক ঙল্লিবমখৈ অঙম্বা থৌদাং লৌজগে।

*পুন্নমকপু অমুক্কা হন্না থাগৎচরি!*

# য়ুনিয়ন ওফ এসোসিএসন ওফ মণিপুর রাইটরনা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম থাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা য়ুনিয়ন ওফ এসোসিএসন ওফ মণিপুর রাইটরগী প্রসিদেন্ট প্রো. বোধচন্দ্র সনসম অমদি সেক্রেটরি রাকেস নাউরেম্না খূৎয়েক পীদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা থাখ্রে হায়রি।

মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মপুঙ ওইবা ৱাফমশিংদি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা পিছ টোক চত্থবা অমসুং নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী পোলিটিকেল বাউন্দরি দেমোগ্রাফি, সোসিওইকোনোমিক অমদি কলচরেলগী ওইবা হীরম কয়াদা শোক্লকপা য়াবগী ফিভম লাকপা য়ারোই। পিছ একোর্দ অসিগী এগেনষ্টতা প্রোটেষ্ট তৌবা ৱাফম কয়া থম্লি।

দেমোক্রেসিগী মতম অসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিদা সেক্রেসি থম্লিবগী মরম করিগীনো। চহী লীশিং অনী হেন্না নীং খা তম্না লৈরকপগী শাংলবা পুৱারী অসি দেষ্ট্রোই তৌনবা ইন্টেন্সন লৈব্রা হায়বগী চিংনবা অসি ক্লিয়র তৌবা পাম্মি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খন্নরবা মতুংদা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বা ৱাফম থম্লি। মসিগী থৌওং অসিদি ষনগী মমাঙদা ষনগাড়ী থম্বগা মান্নগনি। ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তানগনি হায়বা ৱাফমদি থম্লি। পিছ টোক অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী পোলিটিকেল, সোসল সেক্যুরিটি অমদি ইং তপ্পদা অকায়বা কয়া থোক্লি। হৌখিবা চহী ৭০ রোমদা নাগা রিভোল্যুসননা মণিপুর মীয়ামদা টোর্চর তৌরি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা টোল্ককী মমাঙদা নাগাশিং অসি কনানো হায়বা দিফাইন তৌগদবনি হায়নসু মখা তারি।

# জি সি সি আর পি এফ ইম্ফালগী ওদিটৌরিয়মদা চিলদ্রেন দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :

জি সি সি আর পি এফ ইম্ফালগী ওদিটৌরিয়মদা চিলদ্রেন দে পাঙথোকখ্রে হায়না জি সি সি আর পি এফকী দি আই জি পিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা কিরন য়াদবনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। ফোর্মর সি এম ও (সি এ পি এফ) ডা. নন্দিনি এলাংবম, সিনিয়র ঈ এন টি কন্সল্টেন্ট জি সি সি আর পি এফ, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট নন্সিটাসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মোন্টেশোরি জি সি সি আর পি এফকী মহৈরোয়শিংনা শৈরেং থীবা, ঈশৈ শকপা, জগোয় শাবনচিংবা প্রোগ্রাম কয়া তৌদুনা য়েংলিবশিংগী মীৎয়েং চিংশিনখি। মহৈরোয় কয়ানা মখল কয়াগী হৈ-শিংবশিং পুথোক্তুনা উৎখি।

থৌরম অদু ডা. নন্দিনি এলাংবমগী শুপরভিজন মখাদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মোন্টেশোরি জি সি সি আর পি এফকী মহৈরোয়শিং অমদি ওজা কয়াসু শরুক য়াখি। শরুক য়াখিবা ওজা কয়ানা মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমগী ওইবা ৱারী কয়াসু লীখি। অঙাংশিংগী হৈ-শিংবা কয়াসু উবদা নুংঙাইবসু ফোঙদোক্লখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।




HL-B/5749/17oct-16nov.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।১১।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা, নুংথিল পুং ১.৪১ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ২৩নি মতুং ২৪নি পানগনি।

**মেষ :** লৌশিং থোক্কনি, নুংঙাইবা পাউসু তাগনি, নচাক-নরল চাওখৎপা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবা নুংঙাইবা নুমিৎনি। হেন্না অশা চাওগনু অমদি হোয়া ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** নোল্লুক্কা চৎলু, অনম তানগনু অমদি নচা ননাইগী খন্দবা তৌগনু। মীয়াম লোয়ননু। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা কান্নবা খরা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন :** নরলদি ফংগনি, লাইবক ফবা অমদি ওইজ-ওইথকসু ফংগনি। ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি, অশাওবনা নুংশাথিবা নংগনি-অকল অথৌগী থবক্তা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** মীংচৎ ফমথোল ফংবা য়াবা অমদি য়েৎরম্বা কোকচদুনা ওইজ-ওইথক ফংগদবা নুমিৎনি। পংথরদি য়েক্লবা চাওখৎকনি। অঙম্বনা খরসু চানবিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**সিংহ :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা চাউনা কান্নবা ফংগদবা নুমিৎনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুবু মীয়ামগা লোয়ননা চৎলু-পুন্নমক ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নাপল থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** ইচং থৌবনা অফবা মফম ফংগনি, মীকোক থোংগনি অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাউবা নুমিৎ ওইবনা অরুবা ৱারেপ লৌবসু য়াগনি। খুৎচাও থাবদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবা ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** অফবা মরুপ ফংগনি, শেল-থুম অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্দা মীকোক থোংগনি। খোইরাংবা অমদি নথক থোংবনা চৈবীবা য়াবসু লৈ-পূক্লিং ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** অনীংবা থবক চিংনদনা পাংবা য়াগনি, ওইজবা থবক্তা খুৎচাও থাবসু মায় পাক্কনি অমদি লৌশিংতগী পাঙ্গলনা নরল লেপশিনগনি। মীয়াম্নসু য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** অয়াম্বা অনৌবা থবক্তা মায় পাকপা ৱাৎকনি অদুনা খন্থদনা অমদি অখঙ অহৈগী ৱা তাদনা থৌ পাংগনু। মীয়াম্না চানবীবদি ৱাৎলি-নোল্লুক্কা চৎপা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি অমদি পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুমগী লম্দা নুংঙাইবা লৈগনি। লাই-গুরুনা চাল্লি অমদি ৱানোম্বা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবদি ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** নীংজবা থুংগনি, মীচং হেনগনি অমদি অনৌবা থৌরম মীনা ইশিনবা ঙাইদনা পাংবা য়ারগনি। লৈজবা লৌশিং অমদি পাঙ্গল ফুদোক্তুনা অহেনবা তানবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস অঙাংবা।

**মিন:** মীচং ৱাৎলোই অমদি হরাওবা নুংঙাইবা ফংগনি। মীয়াম্না য়ানবা থবক পাংবদা শুংশোই শোইদনা মায় পাক্কনি। শকখঙদবদি থাজগনু, অখঙ অহৈসু শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।